# ঐহাক্লা য়াম্না পামজরকপদি ফুটবোলনি, হোক্কিদি ইশানা শান্ননিংবা শুকপোক পোক্লকখিদে ঃ খরিবম বিচু



খরিবম বিচু দেবী
*(ইন্টর্নেসনল হোক্কি প্লেয়র)*

**মিং :** খরিবম বিচু দেবী; **অপোকপা :** খরিবম রোমেন সিংহ; **অপোকপী :** খরিবম ওংবী ইবেম্মা দেবী; **লৈফম :** চরাংপাৎ মনিং লৈকাই, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট; **মশান্না :** হোক্কি (ইন্টর্নেসনল প্লেয়র); **পোজিসন :** গোল কিপ্পর; **পোকপা নুমিৎ :** ০৩-১২-২০০০।

**ইন্টর্নেসনল থাক্তা শরুক য়ারুবশিং:-**

১) ওষ্ট্রেলিয়া হোক্কি লীগ (পর্থ ওষ্ট্রেলিয়া) নম্বেবর ২৯দগী দিসেম্বর ৯, ২০১৭; ২) যুথ ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফায়র (বেঙ্কোক, থাইলেন্দ) এপ্রিল ২দগী এপ্রিল ২৯, ২০১৮ (সিলভর); ৩) সিক্স নেসন ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট (বেলজিয়ম) জুলাই ১৪দগী জুলাই ২১, ২০১৮ (সিলভর); ৪) থর্দ যুথ ওলিম্পিক গেমস (বুইনোস এয়রস, অর্জেন্টিনা) ওক্টোবর ৬তগী ১৮ ফাওবা ২০১৮ (সিলভর); ৫) ইন্দিয়া 'এ' ৱিমেন টিম ভর্সেস ফ্রান্স 'এ' ৱিমেন্স টিম (লখনৌ, ইন্দিয়া), ফেব্রুৱারি ৮দগী ১৩ ফাওবা ২০১৯ (গোল্ড); ৬) ফোর্থ নেসন টুর্নামেন্ট (দুব্লিন, অয়রলেন্দ) মে ৩১দগী জুন ৪, ২০১৯ (গোল্ড); ৭) টেষ্ট সেরিজ বেলারস মে ৮দগী মে ১৫, ২০১৯; ৮) থ্রি নেসন টুর্নামেন্ট (কেনবেরা, ওষ্ট্রেলিয়া) দিসেম্বর ৩দগী ৮ ফাওবা ২০১৯ (গোল্ড)।

ওষ্ট্রেলিয়ানা যুম্মু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কেপিটেল সিটি কেনবেরেদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা 'থ্রি নেসন ৱিমেন্স হোক্কি টুর্নামেন্ট'তা মণিপুরগী জুনিয়র হোক্কি শান্নরোয় খরিবম বিচুসু ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর নম্বর ৱান ওইনা শরুক য়াখি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুরী চনু থৌদাম সুমননা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইনা লুচিংখিবনি। দিসেম্বর ৩দগীনা ৮ ফাওবা চথখিবা ন্যু জিলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইন্দিয়ানা শরুক য়াখিবা লৈবাক অহুমগী ওইবা টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়ানা সনাগী মেদলসু পুরগা লাকখি।

হোক্কি হায়বা মশান্না অসিদদি মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় কয়া ইন্টর্নেসনল থাক্তা মায় পাক্লা শান্নবা ঙম্বদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনসু লমদম অসি হোক্কিদদি হেন্না শকখঙনরি। হৌজিক চহী খরা অসিদা, হোক্কিগী ওইনা প্লেয়র পুথোকপা মশিং খরা হন্থজরগসু চহী খুদিংগী ওইনা অমমম/অনীদি অদুমক হৌজিকসু ইন্দিয়া টিমদা য়াওবা ঙম্লি। মসিমক্লা হোক্কি হায়বা মশান্নসি পুরা শিথদ্রি হায়বা তাক্লি।

হোক্কি পামজবা শান্নরোয় কয়া লমদমসিদা লৈরবসু, হৌজি কফাওবদি ষ্টেটসিদা হোক্কিগী মতিক চাবা একাদমি অমা হাংবা ঙমদ্রি। অদুদসু নত্তনা হোক্কি এসোসিএসনদসু অনী থোকপগী লায়না অমসু লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা চাউখৎ থৌরাংগী হিরম কয়াদসু অপনবা ওইরি। অমরোমদা, ঐখোয়গী ওইবা হোক্কিগী একাদমি অমা লৈজদবনা মণিপুরগী চহী নৌরিবা হোক্কি শান্নরোয় কয়া ভোপাল স্পোর্টস একাদমি (এমপি) লৈদুনা মশক থোক্লা শান্নরক্লি। খরিবম বিচুসু ভোপাল স্পোর্টস একাদমিদগী ইন্টর্নেসনল থাক য়ৌরকখিবা শান্নরোয়নি।

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হোক্কিদা মীৎয়েং অমা**



খরিবম বিচু কুমজা ২০০০গী দিসেম্বর ৩দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎ মনিং লৈকাইদা লৈবা খরিবম রোমেন অমদি খরিবম ওংবী ইবেম্মগী মচা মরিগী (নুপী অনী, নুপা অনী) ইতোন তোনবী মচানী। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা বিচু নুপামচা অমগুম্না চাউরকখি। খুনগী ওইনা লৈবা লম্পাক্তা পিক্লিঙৈ মতমদগী ময়াম্বা অনীগী মতুং ইন্দুনা বিচুসু শান্নবা হৌরকখি। মহাক্লা য়াম্না পাম্না শান্নজরকখিবা মশান্নদি ফুটবোলনি। চরাংপাৎ মনিং লৈকাইগী ওইনা শেম্বা নুপামচাগী টিমদা মহাকসু নুপামচা অমগুম হাফপেন শেৎতুনা শান্নবা য়াওরকখি। অদুগা হোক্কিগী মতাংদদি করিমত্তা খঙলকখিদে।

চরাংপাৎ মনিং লৈকাইদা হোক্কি শান্নবা কনা অমত্তা লৈতবনা হোক্কি শান্ননিংবগী ৱাখলসু মঙোন্দা থোইনা লৈরকখিদে। অদুবু মহাক ফুটবোলদি ফজনা শান্ননিংবগী ৱাখল পোক্লকখি। থৌবালদা লৈবা অনন্দকুমার স্কুলদা (নেপ্রা কম্পেনি) ক্লাস এইট তম্বা মতমদা মহাক্কী অপোকপা (খরিবম রোমেন)না পুদুনা তাকয়েল সাইদা ফুটবোল শান্নরোয় ওইহন্নবগীদমক ত্রায়ল পীবা লাকখি। কুমজা ২০১২গী জুলাই থাদা মহাক্লা ফুটবোলগী ত্রায়ল পীবা লাকখিবদু মহাক্লা চৎলুবা নুমিৎতুগী নোংমা মমাংদা ফুটবোলগী ত্রায়ল লোইখিবা মতম ওইরমখি। অদুবু মতমদুদা সাই তাকয়েলদা এ দি ওইনা পুবিরম্বা সর মাইকেলনা ফুটবোলগীদি ত্রায়ল লোইখ্রে, হোক্কিগীদি ভেকেন্সি য়াম্না লৈরি। হোক্কিদা ওইনা হোৎনহল্লসি, অদুনা মতম খরা হোষ্টেলদা লৈননবা হায়রকখি। অদুবু বিচুনদি হোক্কিগী মতাংদা করিমত্তা খঙদবনিনা য়ানিংখিদে। মাগী মতৌদুদা অপোকপা মপানদি অঙাংসিনা পামজবদি ফুটবোলনি। য়ারগদি মহাকপু ফুটবোলদা ওইনা শেম্বীয়ু হায়দুনা কন্না তক্লখি। মদুদা সর মাইকেলনা থা খরা হোষ্টেলদা লৈরো, করম্বগা হেন্না চানগদগে হায়বদু য়েংলসি হায়দুনা কুমজা ২০১২গী জুলাই থাদগী বিচু তাকয়েল সাইদা লৈদুনা ট্রেনিং তৌবা হৌরকখি। অদুবু মশানা হোক্কি পামজদমনা কয়া কন্না হোক্কিদা থৱায় য়াওশিনখিদে।

মথং মথং...

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৯

১) করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা সরক্তা (Road) লমশাং থৌবা সাইকল লমজেন্দা রেলৱেজগী ক্রোশিং (Railway Crossing) তরুক হেন্না লাম্থোক্লা থৌহনখিবগে?

২) কুমজা ১৯০৫দা করম্বা টিম অনী লৈবাক মীয়াম খঙনা মুক্না কাঙজৈ শান্নখিবগে।

৩) পোলো শান্নবদা মণিপুরিশিংনা শাগোল নাপু মচুবু করি হায়না খঙনবগে?

৪) মহাক্লা ওলিম্পিক্কী অহুমশুবা সনাগী মেদল হেক ফংবগী মেদল য়েন্থোকপা লোয়বগা মহাক্কী মপা অমসুং মমাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অসুম্না হায়, 'মসি অফবা থবক অমনি, মসিদা মেদল অহুম লৈরে' পাজি, অমনা নঙগীনি, ইমা নঙগীসু অমনি, ঐগীদমক অহুমশুবা অমা লৈরে'। নুপা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিংঅদুদগী দ্রোওৎচরগালাইবকফবামীশকঅমাখনজগনি। লোয়ননাখল্লবামীশকঅদুদামনাপীজগনি।

# লা লিগাদা মকোক থোংবা টিম অনী বর্সেলোনা অমসুং রিএল মাদ্রিদ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



মাদ্রিদ, দিসেম্বর ১৯(এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈবা অমা ওইরিবা স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট লা লিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লীগ অসিগী মকোক থোংবা টিম অনী বর্সেলোনা অমসুং রিএল মাদ্রিদ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুগী মাংওইননা টিম অনীমক রাউন্দ ১৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩৫/৩৫ ফংনদুনা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সদা বর্সেলোনা ২ হেনবদগী অহানবা থাক্তা লৈরগা রিএল মাদ্রিদনা অনীশুবা থাক্তা লৈখিবনি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা টিম অনীনা মান্নদুনা লৈরিবা থাক অদু ৱাংখৎনবা হোৎনখি। অথোইবা টিম অদুনা লীগকী নম্বর ১ থাক্তা লৈগদৌবিরনি।

অহানবা হাফ অদু রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী এটেক চথবা খরা হেনখি। অদুবু হাফ অদুগী পুংখাই চনশিল্লকপদা বর্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকর লিওনেল মেসিনা কাউশিনখিবা বোল অমা রিএল মাদ্রিদকী দিফেন্দর সর্জিও রামোসনা ঙাকথোরকখিবা বোল অদু বর্সেলোনাগী অলবানা কাউশিনখিবদা রিএল মাদ্রিদকী কিপ্পর থিবোট কোর্তোইনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং লম্বা মান্নরবা মতুং রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ৱেলস মচা ষ্ট্রাইকর জেরেট বেলনা কাউশিনখিবা বোল অমা বর্সেলোনাগী গোল মনুংদা চনখি। অদুবু কাংলোনগী মতুং ইন্না বর্সেলোনা ভিদিও এসিষ্টেদ রেফরেগী রিভিয়ুগী মতুং ইন্না ওফসাইদ তারম্বদগী পাঞ্জল অদু লৌখিদে। মেসিগী মায়কৈদগীসু খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

# মুম্বাই সিটি এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী ৫শুবদা হাইগৎখ্রে

Match on 20 Dec. (Fri.)
CHENNAIYIN Vs KERALA




জমসেদপুর, দিসেম্বর ১৯(এজেন্সী): মুম্বাই সিটি এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৬শুবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৯শুবা শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঝরখন্দ ষ্টেটকী সিটি জমসেদপুরদা ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দ অদুগী মেচ অদুগী মাংওইননা মুম্বাই সিটি এফ সি মেচ ৮ শান্নখিবদা ২ মায়পাকখিবা অমসুং মেচ ৪ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ২ মায়থীবা নংখিবা অদুনা পোইন্ট ১০ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

অমরোমদা জমসেদপুর এফ সি মেচ ৮ শান্নবদা ৩ মায় পাকখিবা, ৪ দ্রো চৎখিবা অমসুং ১ মায়থীখিবা নংখিবা অদুনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

জমসেদপুরগী মায়কৈদগী ঙসিগী মেচ অদু মায় পাক্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈনবগী পান্দমদা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু মেচকী ১৫ শুবা মিনটতা মুম্বাই এফ সিগী মায়কৈদগী পাউলো মসাদোনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা জমসেদপুরগী নীংবা কাইহনবা হৌখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৮ ৱাৎলিঙৈদা জমসেদপুরগী মায়কৈদগী পি টিনা পীখিবা বোল অমা দি দিনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১১ চঙশিল্লকপদা মুম্বাই সিটিগী ফর্নানদেজনা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru | 9 | 4 | 4 | 1 | 11 | 5 | +6 | 16 |
| 2 | Goa | 8 | 4 | 3 | 1 | 15 | 9 | +6 | 15 |
| 3 | ATK | 8 | 4 | 2 | 2 | 16 | 7 | +9 | 14 |
| 4 | Jamshedpur | 9 | 3 | 4 | 2 | 12 | 11 | +1 | 13 |
| 5 | Mumbai City | 9 | 3 | 4 | 2 | 15 | 16 | −1 | 13 |
| 6 | NorthEast United | 8 | 2 | 4 | 2 | 8 | 11 | −3 | 10 |
| 7 | Odisha | 8 | 2 | 3 | 3 | 11 | 11 | 0 | 9 |
| 8 | Kerala Blasters | 8 | 1 | 4 | 3 | 8 | 10 | −2 | 7 |
| 9 | Chennaiyin | 7 | 1 | 3 | 3 | 5 | 11 | −6 | 6 |
| 10 | Hyderabad | 8 | 1 | 1 | 6 | 7 | 17 | −10 | 4 |

# স্বিদেনগী চহী ১৭ মখাগী নুপীগী টিমনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




মুম্বাই, দিসেম্বর ১৯(এজেন্সী): ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২০গী নবেম্বর থাদা যুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা মুম্বাইদা থাইলেন্দ অমসুং স্বিদেনগা পুন্না লৈবাক অহুমগী টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকপা অদুগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা যুম্মু ইন্দিয়াবু স্বিদেনগী টিমনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেচতা ঙসি ফাইনেল লম্বা তৌখিবা স্বিদেনগী টিমনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইরমখিবনি। অমরোমদা স্বিদেননা থাইলেন্দবুসু পাঞ্জল ৩-১দা থোইরগা ফাইনেল চঙখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা মেচ অদু থাইলেন্দগা লম্বা তৌনবদা মেচ লোইরমদাই মতম য়ামশিল্লক্তুবদা পাঞ্জল ১ চল্লগা মায় পাক্তুনা ঙসিগী ফাইনেল অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাফতা স্বিদেনগী চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফুটবোল টিম অদুনা ইন্দিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। মেচকী শুপ্নগী ৪ শুবা মিনটতা স্বিদেনগী মায়কৈদগী ফংখিবা অহানবা কোর্নর কিক অমদগী লাকখিবা বোল অদু টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর রুসুল রোজা কফাজিনা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ঙন্না পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মখা তাবা মেচ অদুগী লম্বাদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা বোল পাস তৌনবদা য়াম্না চান্নবা অমা ফংদনা লৈরিঙৈদা স্বিদেনগী এলমা নেলহাগেনা ১৫শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা খুদুম চনবা ঙমখি। পাঞ্জল ২ চনখ্রবা মতুং অহেনবা পাঙ্গল পুথোরক্তুনা স্বিদেনগী মায়কৈদগী ১৮শুবা মিনটতা ইভেলিনা দুলজাননা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অহানবা হাফ অদু ৩-০দা মাংজিল থাখি।

লেমহৌরিবা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঙ্গল লৈনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি। পুংখাই অমরোমগী মতম ফাওবা স্বিদেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হেনগৎপা ঙমদনা লৈখিবা অদু ৭০ শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী মোনিকা জুসুবানা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা ইন্দিয়বা ফাইনেল অদুদা ৪-০দা থোইখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর পেট কমিন্সনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেটতা লুপা ক্রোর ১৫.৫দা খ্বাইদগী মমল ৱাংবা শান্নরোয় ওইখ্রে




কোলকতা, দিসেম্বর ১৯(এজেন্সী): মামেলগী টি-২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০১৯-২০গী সিজনগী ওইনা ঙসি কোলকতাদা পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিংগী ওক্সনদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর পেট কমিন্সপু কোলকতা নাইট রাইদর্সনা লুপা ক্রোর ১৫.৫দা লৈদুনা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোয় ওইখ্রে।

মহাক্লা কুমজা ২০১৭দা টিম অমা ওইখিবা রাইজিং পুনে সুপর জাইন্টসতা লুপা ক্রোর ১৪.৫তা সাইন তৌখিবা ইংলেন্দগী বেটচমেন বেন ষ্টোক্সকী রেকোর্দ অদু ঙসি থুগাইখি। অদুবু ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী পুৱারিদা কুমজা ২০১৫দা দিল্লি দিয়র দেভিলস টিমনা ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর যুবরাজ সিংহবু লুপা ক্রোর ১৬তা লৈখিবা অদুনা রেকোর্দ ওইরি।

অতোপ্পা মীরমগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমল ৱাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী টিমশিংনা লৈখিবগী মনুংদা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওল রাউন্দর গ্লেন মেক্সৱেলবু লুপা ক্রোর ১০.৭৫তা লৈখি। টিম অদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোয় সেলদন কোত্রেলবু লুপা ক্রোর ৮.৫তা লৈখি। লোয়ননা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর নেথন কোলটরবু লুপা ক্রোর ৮দা লৈখি।

# জিনা খিতানা নেসনল শুট্টিং চেম্পিয়নশিপ্তা মকোক থোংবা শুট্টর মায়থীবা পীরগা মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ভোপাল, দিসেম্বর ১৯(এজেন্সী): মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা পাঙথোক্লিবা ৬৩শুবা নেসনল শুট্টিং চেম্পিয়নশিপ্তা হিমাচল প্রদেশকী শুটর জিনা খিতানা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা শুটর অনী মায়থীবা পীদুনা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। জিনানা ইভেন্ট অদুদা পুন্না পোইন্ট ২৫২.২ কাপ্লগা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

শুটর ৮গী ফাইনেল অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মেহুলি ঘোসনা পোইন্ট ২৫০.৫ ফংলগা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ৩ ওইরিবী অপুরভি চান্দেলানা মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসন অদুদা পোইন্ট ২২৭.৬ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা সিলভর ফংহৌরবী মেহোলি ঘোসনা জুনিয়রগী কাংলুপ্তা ইন্দিভিজ্যুল অমসুং টিমগী এয়র রাইফল টিম কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল অনী লৌখি। অমরোমদা সিনিয়র ৱিমেন্সগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ অপুরভি চান্দেলানা টিম কম্পিটিসনদা প্রিয়াঙ্কা সদাংগি অমসুং গয়াত্রি পৱসকরগা পুল্লগা টিম চেম্পিয়ন ওইখি।

ভোপালদা পাঙথোক্লিবা ৬৩শুবা নেসনল শুট্টিং চেম্পিয়নশিপকী রাইফল অমসুং পিষ্টোল ইভেন্টকী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ঙসি রাজস্থান, মহারাষ্ট্র অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী টিমশিংনা গোল্ড মেদল অনী/অনী ফংবা ঙমখি।